## ইমা কৈথেল শেংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

এপ্রোমিসকী থৌমীশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী ১০.৩০ ফাওবা ইমা কৈথেল অরিবা, টেম্পররি মার্কেট শিৎ-শেংখ্রে।

এপ্রোমিসকী দিরেক্টর খাগেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, টেম্পররি ইমা কৈথেলদা এঞ্জাং য়োল্লিবা ইমাশিং লূ-নান্না য়োন্নবগীদমক শিৎ-শেংবগী থবক অসি পায়খৎপনি। লূ-নানবা হায়বসি ৱাখল অমসুং হকচাংদা ফৈ। এপ্রোমিসকী ওইবা পান্দমসু হকচাং ফবা, ৱাখল ফবা হায়বসিনি। দ্রগতা লাইচুবা অমদি ৱাখল লায়না লৈরবশিংদা ট্রেনিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎলি। ময়াই কাবা দ্রগনা হকচাংদা মাঙলক্কদবা কয়াগী মতাংদসু এৱ্যেরনেস পী। অহলশিংনা ৱাখল পূক্লিংদা শোন্থরকপা মতমদা পূক্লিং থৌগৎপা ট্রেনিংসু পী হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মখাদা এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মনোজকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এমসু হেদ ক্বার্টরগী নেটৱার্কিং অমসুং ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ইরোম কেনেদিগী মীৎয়েং মখাদা হৌদোকখিবনি। ব্রাঞ্চ অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা অকোইজম বসন্তা, ভাইস প্রসিদেন্টতা থিংবাইজম চিংখৈ, সোরাইশম সনামচা, জেনরেল সেক্রেটরিদা লোংজম দোলেন্দ্রো, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা ৱাই হেলেন্বা, ঐচ আর দি সেক্রেটরিদা য়ুমখাইবম জোন্সন অমদি আই পি এসতা এম রোবিনকুমারনি হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপ (থানিল)গী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা নাওরেম ওংবী ভানু গোলমৈনা থা অসিগী ২২ দা তাইবং থাদোকখিবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না থানিলগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থানিলগী প্রসিদেন্ট লাইশ্যম গ্যানেশ্বরীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শঙলেন খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবা লৈশাংথেম রোমিও অমদি লৈশাংথেম ওংবী বিমোলানা মখোয়গী লৈখিদ্রবা অপোকপা লৈশাংথেম নিপামচা মীতৈগী মিংদা চিঙ্গোই ঈরুপফম নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবী হায়না খঙনবা নোংমাইজিং চীংখোঙদা লৈবা লাইফমগী শঙলেন কৎতুনা শাগৎখিবা অদু ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না চিঙ্গোই থৌগল লূপ নোংমাইচিংগী সেক্রেটরি কুল্লজিৎ মীতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চিঙ্গোই থৌগল লূপনা রোমিও অমদি বিমোলাগী তুংগী পুন্সিদা অনা-অয়েক য়াওদবা, নুংঙাই-য়াইফবা ওইনবগীদমক নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবীগী মফমদা থৌনিজৈ। মখোয় অনীবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## আর কে সনাতোম্বা এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

আর কে সনাতোম্বা মোরিএল ট্রষ্টনা চহীসিগী জুন ৩০ দা কংলা লানপুংগী এদিটর ওইরম্বা আর কে সনাতোম্বা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম নুমীৎতা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৯ লান্থোক্লগনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী চ্যেরমেন ডা. আর কে নিমাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এৱার্দ অসিগীদমক মীদিয়া ফার্মশিংদা সব-এদিটর ফাওবগী থাক্তা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা কুমজা ২০১৮ গী জন্যুৱারী ১ দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোকপা রিপোর্টিং তৌখিবগী কোপি ট্রষ্টতা থাগৎপীরকউ। কোপি ৩ দগী তাদবা অদুগা কোপি ৫ হেন্দবা ওইগদবনি। ফিল্ডগী ওইনা লিমিটেসন লৈতে। অদুবু নোমিনেসন অদু জর্নেলিষ্ট, দেস্ক নৎত্রগা সব-এদিটর ফাওবগী লেবেলদা ওইগদবনি। জুন ৬ ফাওবগী মনুংদা থাগৎপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5402/26

# শা-ষন লোইরিবশিংনা হিদাক মতম চানা কাপথোকপীয়ু, ভেক্সিন মরাং কায়না থল্লি : দিরেক্টর

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

য়ুমদা য়োকপা শা-ষন অমসুং ঙানু-য়েন লোইরিবশিংনা হিদাক লাংথক মতম চানা থাদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। ভেক্সিন অমদি তঙাইফদবা হিদাক-লাংথক মখলশিং মরাং কায়না থল্লি হায়না ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডা. ঐচ চাওবনা ফোঙদোরক্লি।

সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটিরিনরি ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. ঐচ চাওবনা হায়খি, য়ুমদা য়োকপা শা-ষন নারক্তিঙৈদা হিদাক কাপথোক্তুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীয়ু। হিরমসিগী মতাংদা মীদিয়াগী খুত্থাংদা খঙহনবসু লৈখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী লমদম অসিদা লৈরিবা শা-ষন অমদি ঙানু-য়েনশিংগী ওইনা তঙাইফদবা হিদাক-লাংথক মখল কয়া থৌরাং তৌদুনা থল্লি। দিপার্টমেন্টকী ষ্টোরদা ষন-ইরোইদা নাগনবা হেমোরেজিক সেপ্টিসেমিয়া (ঐচ এস), ব্লেক ক্বার্টর (বি ক্যু), ফুদ এন্দ মাউট দিজিজ (এফ এম দি) অমসুং ব্রুসেল্লা এবোতসকী ভেক্সিন, হূইবু ঙাওদনবা, এন্টি রেবিজ (এ আর ভি), ওক্কীদমক, স্বাইন ফিভর লোয়ননা য়েনগীদমক রানিখেট, ফাউল্ল কোলেরা, গম্বোরো অসিনচিংবা ভেক্সিন মরাং কায়না থল্লি।

ইপিদেমিক থোকপা মতমদা শীজিন্নবা হিদাক-লাংথক অমদি লোজিষ্টিক্কী ওইবা খুৎশু-খুৎলায় কয়ামরুম মরাং কায়না থল্লি। মমল য়াম্বা ষন-ইরোই লোইরিবা ফার্মশিংনা লাইফ ষ্টোক ইন্সুরেন্স য়াওদুনা শিখি-নাখিবশিংগী মমল হঞ্জিন্নবা হোৎনবা য়াই। চাউখৎ থৌরাংগীদমক মপুং ফানা পোলিসী প্লান্নিং অমা শেম্নবা দিপার্টমেন্ট অসিনা চহী ৫ গী ওইনা লাইফ ষ্টোক সেন্সস হৌজিক পাঙথোক্লি। ষ্টেট ভেটিরিনরি হোস্পিটাল সঞ্জেন্থোংদা লায়েংবদা হেন্না মপুং ফানবগীদমক অল্ট্রা সাউন্দ অমদি অফবা মখলগী এক্সরে মেছিননচিংবা হাপচিল্লগনি।

কুমজা ২০২২ ফাওবদা ফার্মরশিংগী ইনকম দব্বল ওইহন্নবা নেসনল লাইফ ষ্টোক মিসন স্কিমগী মখাদা ফার্মর ৯০০ দা ওক, হামেং, য়েনাওনচিংবা পীদুনা ফার্মরশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফনবা হোৎনরি। শঙ্গোমগী পোথোক হেনগৎহন্নবগীদমক শঙ্গোম থোকপী অফবা মখলগী ইরোই হাইফর ১৫০ বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি, চূড়াচান্দপুরগী ফার্মরশিংদা পীগনি। ফার্মরশিংদা অহোংবা মমলদা য়েনাও মচা, ঙানু, হামেং, ওকনচিংবা মচাশিং ফংহন্নবা হোৎনরি। চহী অসিগী মনুংদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষনগী ভেরাইটি মচা কাপ্তুনা ষন্নাও লিশিং ২০ পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা সোর্তেট সেক্স সিমেন শীজিন্নদুনা ষন্নাওশিং অদু অমোম ঙাক্তা ওইহন্দুনা ফার্মরশিংদা হেন্না কান্নবা পীনবগী পাম্বৈসু হৌদোক্কদৌরি।

এৱ্যেরনেস অমদি ট্রেনিংনচিংবা কয়া দিষ্ট্রিক্টশিংদা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। থবক থৌরমশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগী সপোর্ট য়াম্না চঙই। শা-ষন অমদি ঙানু-য়েন লোইদুনা পোথোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা শা-ষন অমদি ঙানু-য়েনদা ইপিদেমিক থোকপগী চাং য়াম্না হন্থরে। লায়না-তীন্নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎখি। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্টশিংদা শা-ষন হিদাক কাপথোকপগী থবক য়াম্না কন্না চংথরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর সী ঐচ নন্দকিশ্বরসু শরুক য়াখি।

# দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোর্টনাইট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অমদি ষ্টেট হেল্‌থ সোসাইটি, এন ঐচ এম মণিপুরনা শীন্দুনা চহী অসিগী জুন ৮ ফাওবা চথগদবা ইন্টেন্সিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোর্টনাইট ঙসি জেনিমসকী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ষ্টেট নোদেল ওফিসর চাইল্ড হেল্‌থ ডা. এ সিলবিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, চহী ৫ গী মখাদা লৈবা অঙাং কয়া দাইরিয়ানা মরম ওইরগা শিবা য়াওই। কালেন অমদি নোংজুথাদা দাইরিয়া অসি থোক্কল্লি। মতম চানা চেকশিনহৌরবদি দাইরিয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। দাইরিয়া নারকপা মতমদা ও আর এস অমদি জিঙ্ক টেব্লেট মতম চানা পীজদুনা লায়েংবা তাই। দাইরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা অফবা ঈশিং থকপা, খুৎ-শা শেংনা হাম্বা য়াম্না তঙাইফদে। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি জিরো চাইল্ড দেথ দ্যু টু দাইরিয়া হায়বসিনি। চহী ৫ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংবু দাইরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন দিরেক্টর কিরনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা অসি অয়াম্বনা সেকেন্দরি পোপ্যুলেসন গ্রুপ ওই। খুৎ-শা শেংনা হাম্বগী মতাংদা নীংথিনা খঙমিন্নবা তাই। স্কুলশিংদা সাপোন অমদি টৱেল পীরগা খুৎ-শা হাম্বগী মতাংদা তম্বী। করম্বা ঈশিংনা খুৎ হামগনি হায়বনচিংবা খঙবা তাই। স্কুলশিংদা কম্পিটিসনসু তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. ভিমোনা ফোঙদোকখিবদা, দাইরিয়ানা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী অঙাং লাখ ১ হেন্না অশি-অনা থোকহল্লি। দাইরিয়া তৌরকপা মতমদা দিহাইদ্রেসন্দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তাই। হিরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। কালেন থাগী মতমদা দাইরিয়া নারিবা অসি অয়াম্বনা ঈশিংদগী থোকহল্লকপনি। খ্বাইদগী ফবদি ঈশিং শৌহল্লগা থকপনা ফৈ। অঙাংশিং কন্নবগীদমক অসিগুম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন জি উতমনা হায়খি, দাইরিয়া অসি লাইবা মাল্লবসু খুদোংথিনিংঙাইদি ওই। দাইরিয়ানা শিবগী চাং অসি হন্থনবা হোৎনরি। চহী ৫ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং দাইরিয়ানা নাহন্দনবা অমদি নারবসু লায়েংনবা থৌরাং অসি পাঙথোক্লিবনি। নারক্তিঙৈদা চেকশিনহৌবা য়াম্না ফৈ। ও আর এস অমদি জিঙ্ক টেব্লেট পীজবা তাই। ও আর এস অসি দিহাইদ্রেসন থোক্তনবা পীথক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এস মনিকান্তনা প্রসিদেন্ট ওইখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা দাইরিয়ানা নাবা অঙাংশিংদা ও আর এস পীথকখি। খুৎ-শা হাম্বগী দেমোনষ্ট্রেসনসু উৎখি।

## ষ্টুদেন্টস ইমান্সিপেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ষ্টুদেন্টস ইমান্সিপেসন দে ওবজর্ভেসন কম্মিটি এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ৩০ রকশুবা ষ্টুদেন্টস ইমান্সিপেসন দে, মহৈরোয়শিংগী রাইট কনবা নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ১৯৭৩ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরিগী অৱাৎপশিং পীবীয়ু হায়না মোইরাংদা লৈবা স্কুল, কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা দিমান্দ তৌবদা মোইরাং কোলেজ গী মহৈরোয় হাওবিজম ইবোহল পুলিসকী নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা শিখি। মহৈরোয়শিংগী দিমান্দ পীরক্তবনা কুমজা ১৯৭৯ গী মে ২৬ তগী অমুক মখা তানা খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। মোইরাং পুলিসনা মহৈরোয়শিং ফাজিন্দুনা থমখিবদগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লকখি। মে ২৮ দা মহৈরোয়শিংনা মখোয়সু ফাবীরো হায়না চঙশিল্লকপদা ফাজিন্দুনা থমখি। লোক-অপতা ফাজিন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা মতমদুগী মোইরাং পুলিসকী ওফিস ইবোহলনা মহৈরোয়শিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা উরিকখিন্বম খেলেন অমসুং কুমাম শরত শিখি। মহৈরোয় কয়া অশোক-অপন নংখি। মে ২৮ অসিবু নীংশিংবা ওইনা এমসুনা চহী খুদিংগী মহৈরোয়শিংগী রাইট কনবা নুমীৎ হায়না থৌরম তৌদুনা লাকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহৈরোয় অহুমগী শক্তমদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং অমদি মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা মোইরাং কোলেজ গী প্রিন্সিপাল কোঞ্জেংবম অনন্দনা চীফ গেষ্ট, ইমান্সিপেসন দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর সাইলিং খাঙেম্বমনা প্রসিদেন্ট অমসুং মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল দেবেন্দ্রো অমদি এমসু হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট পেটর লাইশ্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## এনঈআইদিপিদা ভোটপীরকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি : সমরজিৎ

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখলদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) না থাগৎপা মীরেপশিংদা ভোট পীরকখিবা অমদি শৌগৎপীবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না এন ঈ আই দি পিগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নারেংবম সমরজিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এন সমরজিৎনা হায়খি, এন ঈ আই দি পিনা নোর্থ ইষ্টতা নুংশি-চান্নবা অমসুং চাউখৎপা পুরক্লবগী মীৎয়েং থল্লি। ইরমদমগীদমক পার্টি অসিনা থবক থৌদা কয়া পাংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হন্দক্কী মীখলদা এন ঈ আই দি পিদা ভোট পীরকখিবশিংবু থাগৎলি। এন ঈ আই দি পিগী মায়কৈদগী লমদমসিগী য়াইফনবা থৌদাং কয়াসু লৌনবা হোৎনগনি।

এন ঈ আই দি পিগী য়ুনিট লৈরিবশিংনা মীদিয়াদা প্রেস নোট থোকপা নৎত্রগা ষ্টেটমেন্ট পীদ্রিঙৈগী মাঙওইননা এন ঈ আই দি পি সী দল্লিয়ু সী প্রসিদেন্টতগী অয়াবা লৌবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সনামহী কিয়োংগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৮: লংমাইচিং (নোংমাইচিং) দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর) গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঞ্জোর খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মতেং পাংবীরক্লিবশিংবু লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা লাইয়িংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুম্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা-নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। লোয়ননা শাগৎচরিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিঞ্জনবগীদমক কংলৈ য়ুমথোং অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরমগী তেংবাংবীরক্লবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা ১০০০ দগী তাদনা তেংবাংবীরকপা মীওইশিংগী মিং, লৈফম লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবগা লোয়ননা লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হক্তুনা তুংকোয়না নীংশিংননবা থমগনি। অকুপ্পা মরোল সনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

## লৌশাংখোং থোং শানবা লৈঙাক্লা খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

পি এম জি এস ৱাই ফেজ ১১ গী মখাদা অয়াবা পীখ্রবা লৌশাংখোং থোং শানবা মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি সিফ্টিং ওফ লৌশাংখোং থোংগী কনভিনর ঐচ সমানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ঐচ সমানন্দনা হায়খি, কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বরদা পি এম জি এস ৱাই ফেজ ১১ গী মখাদা লৌশাংখোং থোং অসি শানবগী অয়াবা পীরকপনি। চীফ এঞ্জিনিয়রনা টেন্দর নোটিশ থোক্লগা ঈ টেন্দর তৌদুনা ক্যামগৈ অৱাং লৈকায়দগী মীওই অমদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা ৱার্ক ওর্দর পীখি। লৌশাংখোং অমসুং কৈবী হৈকক মপালগী খুঞ্জাশিংনা থা অসিগী ৬ তা উরেপ উয়ুং তমখি। মফম হোংদোক্লগা হায়রিবা থোং অসিগা চপ মান্নবা পেকেজ অসিদা হুইদ্রোম সেক্তাদা অমুক উরেপ-উয়ুং তমখি। লৌশাংখোংগী থোং শানবা ৱার্ক ওর্দর পীখ্রগা হোংদোক্তুনা হুইদ্রোম সেক্তাদা শানবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসি জে এ সীনা য়াবা ঙম্লোই। মিনিষ্ট্রিনা লৌশাংখোংদা শানবা শেল পীরক্লগা অতোপ্পা মফমদা শাবা য়ারোই। থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৌশাংখোংদা শাগনি হায়রক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মতেং পাংনরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা থা অসিগী ২৩ দা পিশুমথোং নিঙোম লৈরক্তগী লাইশ্রম শান্তিকুমারনা ইমুংগী মীওইশিংগা হোমদা লাকপীদুনা মহাক্কী অপোকপী লৈখিদ্রবী লাইশ্রম ওংবী আর কে বোধিপতিগী তরেৎলকশুবা লুক কৎপা নুমীৎকা মরী লৈননা হোমগী অঙাংশিংদা চাক্লেন অমা পীজবগা লোয়ননা চেঙ বেগ ১, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং তেংবাংলম্লে হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পৌরাবি মখা লৈকায়দগী লোইতোংবম মাইপাক মৈতৈনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা হোমদা লাকপীদুনা মহাক্কী ৫১ রকশুবা চহীগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৱাই কিলো ৩৬ তেংবাংবীরম্মী। থা অসিগী ২৪ দনা লালাম্বুং মখোঙ নাউশেকপম লৈকায়দগী থোকচোম ব্রোজেন অমসুং রাম্বোরিগী মচানুপা অভিয়ন থোকচোমনা মাগী ২৩ লকশুবা চহীগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা হোমদা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক মৈতৈ চেঙ কিলো ৫০, আলু কিলো ৩০, অচাথাউ লিটর ৫, হৱাই কিলো ১০, তিলহৌনচিংবা পীবীরম্মী।

নুমীৎসিমক্তন্দা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দগী থোকচোম নাওচা অমদি অসেম নন্দারানিনা মখোয়গী মচানুপা পুন্সিহেন মীতৈ থোকচোমগী অহানবা চহীগী মপোক নুমীৎ থৌরম হোমদা পাঙথোকপীদুনা মখল মখা কয়াগী অচাপোৎশিং অঙাংশিংদা পীজবীবগা লোয়ননা ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং তেংবাংবীরম্মী। থা অসিগী ২৫ দনা পিশুমথোং নিঙোম লৈরক্তগী নিঙোম্বম মৈরাবা অমদি নিঙোম্বম ওংবী আর কে সুমতি অনীগী মচানুপী নিঙোম্বম তম্ফা চনুনা হোমগী অঙাংশিংদা টি সার্ট ২০, হাফপেন ২০ পীবীরম্মী। মরকসিদা লম্বোইখুলময়াই লৈকায়দগী ৱাহেংবম ইবোমচা মৈতৈ, সোসল ৱার্করনা হোমগী অঙাংশিংবু য়েংশিন্নবা মীতৈ য়ুমজাউদা লৈরিবা অহলশিংগীদমক শাগৎলিবা সেনিটরি লেত্রিনগী চঙগদবা উশিং, কুপননবা তিনশিং তেংবাংবীরক্লে। তেংবাংবীরক্লিবশিংবু হোমগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং, অঙাংশিং লোয়ননা য়াইবিলেননা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কেস কয়াদা চেন্নবা গেংষ্টর অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৮: দিল্লি অমসুং য়ু পি পুলিসনা লুপা লাখ ১.২০ গী রিৱার্দ য়াওবা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা গেংষ্টর অমা মণিপুরদগী ফারে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অদুগী মমিং দিল্লিগী সিলাম্পুরদগী রিজৱান কৌই। হায়রিবা গেংষ্টর অসি দিল্লি পুলিসনা লুপা লিশিং ৫০ গী রিৱার্দ অমদি য়ু পি পুলিসনা লুপা লিশিং ৭০ গী রিৱার্দ পুন্না লুপা লাখ ১.২০ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা মীওইনি।

ইন্সপেক্টর চন্দ্রিকা অমদি অমুলনা লুচিংবা স্পেসল টিম অমনা ইম্ফালদা রেইদ চথবদা হায়রিবা মীওই অসি ফাখিবনি। মহাক ক্রিমিনেল কেস ৩০ হেন্না চেন্নরি। কেস কয়াদা চেন্নরিবা রিজৱান ইম্ফালদা রেইদ চথবদা ফাবনি হায়রি। বিজৱান অসি মীহাৎ-মীপুন অমদি শেল লাকপনচিংবগী তোঙান তোঙানবা কেসতা চেন্নবা মীওইনি। মহাক কুমজা ২০১৪ দা মণিপুরদগী ফরিদা কৌবী নুপী অমগা লুহোংদুনা মচা অনী লৈরে। ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মীওই অসি দিল্লিদগী মণিপুরদা চেনখিবনি হায়নসু পুলিস স্পেসল সেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কুশৱাহনা ফোঙদোকখি হায়রি।

## ফমুং ৪০ লৈগদবা ইনফেক্সিস দিজিজ হোস্পিটাল শানবা থৌরাং তৌরি : ভিমো

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

হেমাটোলোজি ক্যের, জেনিমস অমদি ৱিক্যের ফাউন্দেসন্না খুৎশম্ননা শীন্দুনা জেনিমসকী লেকচর হোলদা ঙসি ৱর্ল্ড ব্লদ কেন্সর দেগা মরী লৈননা ব্লদ কেন্সরগী এৱ্যেরনেস অমদি ব্লদ কেন্সর সর্ভাইবরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা হায়খি, জেনিমসতা ফমুং মশিং ৬৪৬ রোম লৈ। স্পেসিএলিষ্ট মশিং হেনগৎলকপনা ফমুং মশিং অসি কোন্নদে। হেমাটোলোজিগী লমদা ডা. অনিলনা লায়েংলি। স্পেসিএলিষ্ট ওইবনা মাগী পেসিএন্ট অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ফমুং মশিং য়াম্না মথৌ তারক্লি। কেন্সর হোস্পিটাল অমা শানবগী খন্নবা লৈরি। ইনফেক্সিস দিজিজ হোস্পিটাল অমসু লুপা ক্রোর ২০ লোম চঙনা শানবা থৌরাং তৌরি। শাবা হৌবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মিনিষ্ট্রিনা এদভান্সসু পীগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। কেন্সরগী অনাবা মশিং হেনগৎলকপনা কেন্সর হোস্পিটাল অমা শাবগী তঙাইফদবসু লৈ। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মসিগী মরুওইবা ৱাফম হংলকই। প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্‌থ য়াওনা মীটিং তৌখ্রে। কেন্সর নাবগী মশিং হেনগৎলকপনা ষ্টেট অসিদগী মীওই কয়া মপান্দা লায়েংবা চৎলি।

লিভর ট্রান্সপ্লান্টকী মতাংদসু খন্নরি। গঙ্গরাম হোস্পিটালদগীসু ওফিসল লাক্কনি। জুন ১৪ দা স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তরশিংগা কেন্সর সেন্টরশিংগী মতাংদা দিরেক্টরগা ৱারী শাগনি। কেন্সরগী পেসিএন্ট হেনগৎলকপগী মতুংইন্না নেসনল হেল্‌থ মিসন্দগী ফন্দ লৌরগা ফমুং ২০/৩০ থম্বা য়াবা সেন্টর অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লাক্লি। ব্লদ বেঙ্ক অসিসু ব্লদ কেন্সর পেসিএন্টশিং ট্রিটমেন্ট তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। পি জি হাংনবসু হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. ইরোম অনিলনা ফোঙদোকখিবদা, ৱর্ল্ড ব্লদ কেন্সরগী থৌরম মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্নে। ব্লদ কেন্সরনা নারবদি শিগদবগী মওংদা খনবগী ফীভমদা লৈরি। ব্লদ কেন্সর মখল য়াম্না য়াম্মী। লায়েংদুনা পুরা ফবা ঙম্বা কয়াসু লৈ। মণিপুরদা ব্লদ কেন্সর নাবা অঙাং ৩২ হেন্না লায়েংখ্রে। ৩২ সিগী মনুংদা ২৯ দি করিসু তৌদে। জে নিমসতা পেসেন্ট কয়া অমা লায়েংখ্রে। ফরোইদবা অনাবদি দিল্লিদা চৎলবসু অদুম্মক ফৎতে। এইমসতা লৈরিঙৈদা অনাবা লাকপদা থেংনা লাকপা য়াওই। য়াম্না কন্না নাদ্রিবা মী লায়েংবদি নুংঙাই। তাঙ-তাঙ চিকপা নৎত্রগা লাইহৌ তৌরকপদা কেন্সর নারবরা হায়না মীয়ামদা এৱ্যেরনেস লাকপা হৌরে। ঙন্না খঙহৌবা পেসেন্ট য়াম্মী। মেন পৱার খরদি ৱাৎলি। মপান লমদনা ফেসিলিটি য়াম্না ফংই। অদুবু শেল য়াম্না চঙবগী টেন্সন লৈ। মপান লমদা লায়েংবদা লুপা লাখ ৫/৬ চঙবদা লমদমসিদদি লুপা লাখ ২/৩ না কোন্নবা ঙম্মী। লায়েংবদা য়ুম-ইংখোল ফাওবা য়োনবা থেংনখ্রে। সী এম ঐচ টি অমসুং অয়ুশমান ভারত লাকপদগী মীওই কয়া লায়েংলে। অয়ুশমান ভারতকী মখাদা অনাবা ৫৭ লোম লায়েংখ্রে। সী এম ঐচ টিগী মখাদসু কয়া অমা লায়েংখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড ব্লদ কেন্সর দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদুদা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. জিতেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি হায়রি।

**Delta Advance School (DAS)**

Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)

Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM

**ADMISSION OPEN**

**Class XI (Science & Arts)**

Special Admission Offer for only remaining 50 seats

**Admission Criteria**

| | |
|---|---|
| BOSEM Position Holders | Free Admission; 2 Years Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set); Free Hostel |
| 90% & Above (CBSE Students) | Free Admission; 1 Year Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set); |
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.

**EDUCITY TUTORIALS**

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST

**ADMISSION OPENS FOR**

**2nd FOUNDATION COURSE**

CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)

CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019

**OUR SHINING STARS**

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position | 8th Position | 11th Position | 12th Position | 19th Position | 22nd Position | 23rd Position



W. Ningthem Meitei, S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu
U. Aditya Luwang, S/o. U. Geetchandra Singh & I. Anita Devi
Haobam Rijando, S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
M. Nerich, D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
H. Aman Singh, S/o. H. Tomba & H. Baby
A. Pooja Sharma, D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi
Md. Makbun, S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019

91.4 % | 90.4 % | 85.0 % | 84.6 % | 83.0 %



R.K. Phalguni, S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
Bandana Mutum, D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
Irungbam Thajalembi, D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
Nikesh Sapam, S/o. S. Bhogen & S. Sobita
Nancy Keisham, D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

Subjects offer: Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science

Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (I) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science – Mem Roxy

CLASS TIMING 4:30 – 7:30 AM (MOR) 4:30 – 7:30 PM (EVE)

PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500

HL-B/5409/26